**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-11-2025)**

**ডে(এল)ঃ** সংবিধান দিবস লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি মফম কয়াদা পাঙথোকগনি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী পেলেস ওদিটোরিয়মদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কনি।

ভারতনা বৃটিশকী মখুৎতগী নীংতম্লবা মতুংদা, নীংতম্লবা লৈবাক অমা ওইনা সংবিধান চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা সংবিধান দিবস অসি পাঙথোকপনি। সংবিধান দিবস অসিগী মতাংদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী লো দিপার্টমেন্টকী হেদ অমসুং সেন্টর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুতিটজ এদুকেসনগী দিরেক্তর-ডা: য়ুমাম প্রেমানন্দনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা হায়-

সংবিধান দিবসকী থৌরম ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী লো দিপার্টমেন্টতসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর-প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহ য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি।

সংবিধান দিবসকী থৌরম রাজ্য অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরশিং, সব-দিভিজনেল হেদক্কাটরশিং অমদি স্কুল-কলেজশিংদসু পাক শন্না পাঙথোকগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুন্সবগী থবক চত্থবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী গেলমোল ভিলেজতগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা শান্না কাপ্পা য়াবা রোকেট অমসুং পোকখায়হন্নবা মচাক কিলোগ্রাম ৪০, রোকেট কাপনবা ষ্টেন্দ অমসুং বেট্টরি অমা ফাগৎলে।

কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা গেলবুং উমংগী শরুক্তগী ঙরাং সেক্যুরিতি

ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখি। মদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা সি.এম.জি. করবাইন অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, কন্ত্রিমেদ বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৯, কন্ত্রিমেদ এস.বি.বি.এল. অমা, লোকেল মেদ গ্রেনেট অমা, ফ্যুজ অমা, দিটোনেটর অমা, পম্পী মরি অমসুং বাইওফেং হেন্দ সেট অনি য়াওরি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা, কাংপোকপী জিলাগী কাংচুপ পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা সোংলুং ভিলেজ এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা জি থ্রি রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, পুল মেকানিজম রাইফল মরি, মোটার অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা চন্দ্রনদি লমখাইদগী রাজ্য পুলিসনা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাগৎলে।

**সঙাই (এল)ঃ** হৌজিক চঙ্খরিব মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল-২০২৫, ঙসি নুমিৎ তরুকনি শুরগনি। মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোকফম ওইরিবা হপ্তা কাংজৈবুং মনাক্কী বোটতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দগী থৌগল জগোই, মরাম ত্রেদিসনেল দান্স অমসুং থাং-তা অমসুং রোংমৈ ত্রেদিসনেল দান্সনচিংবা উৎকনি।

হপ্তা কাংজৈবুংদনা কবুই ফোল্ক সোং অমসুং জগোই, ফোল্ক ফ্যুজন ম্যুজিক অমসুং মোইরাং পর্ব উৎকনি। খুম্মন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা কাংশঙদা মনিপুরগী অরীবা মশান্না কাং শান্নগনি। মনিপুর ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিদনা ঙসি দোকুমেন্টরি মনিপুরি ফিল্ম-ক্বাথা ফম কাবা, মনিপুরি ফ্যুচর ফিল্ম-উনা উনা উৎকনি। ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদনা ঙসিদগী অহুমশুবা মনিপুর টুরিজম কংগ্রেস হৌরগনি। ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দনা-সনা খিং-খিং অমসুং নুংশি চরোং হায়বা শুমাং কুম্মৈশিং উৎকনি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থন্বদা নুপীশিংগী থৌদাং হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা তমেংলোংগী সিকিনু ইনদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

জৈলেদ ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি এফেক্টেদ ভিলেজ কমিতি অমসুং জৈলেদ ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি এফেক্টেদ ৱিমেন ৱিংনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ অদুদা অখঙ-অহৈ কয়ানা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থমবা হোৎনবদা নুপীশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী লাকপা নুপী ৭০ রোমা শরুক য়াখি।

**কাউঃ** সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-ডা: অনুপম মিশ্রাদা উরিষ্যাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা শিক্ষা ও. অনুসন্থাননা লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড পীরক্লে। মসি মহাকা শিক্ষাগী লমদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শক খঙবা ওইনা পীরকপনি হায়রি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরগী সুখমা জিলাদা সি.পি.আই. মাওইষ্টকী মীওই ১৫ খুৎলায় থাদোক্তুনা সরকারদা চংজরকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা নুপা তরা অমসুং নুপী মঙা য়াওরি।

সুখমা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্বাটরসতা লৈবা এস.পি. কিরন চৱানদা মখোয়না খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকখিবনি। মখোয়গী মনুংদা মরিদি পিপলস লিবরেসন গোরিরা আর্মি বটালিয়ন নম্বর ৱানগী য়ামা হকচিনবা মীওইশিংনি। মখোয় অমমমদা লুপা লাখ ৮-৮ গী মনা পুবা মীওইশিংনি হায়রি।

**মোদিঃ** হায়দ্রবাদতা লৈবা জি.এম.আর. এরো স্পেস এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্কতা

নৌনা শেমগৎপা সাফ্রান ইয়ারক্রাফট ইঞ্জিন সার্ভিসেস ইন্দিয়া, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগা খুত্থাংদা শঙ্গারগনি।

প্রধান মন্ত্রি ওফিসকী পাউনা হায়-ঙসি শঙ্গাগদৌরিবা ফেসিলিতি অসিদা এরোপ্লেনগা মরী লৈননা নৌনা শেমজিন শাজিনবগী থবক্তা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মসি গ্লোবেল ইঞ্জিন ওরিজনেল ইক্যুপমেন্ট মেন্যুফেকচররনা ভারত্তা ইহান হান্না লিংখৎপা ফেসিলিতিনি। ফেসিলিতি অসিনা ভারতকী এভিয়েসন সেক্তরবু মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবগী খোঙজংদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু ন্যু দিল্লিগী লাল কিলাদা ঙরাং পাঙথোকপা শ্রী গুরু তেগ বহাদুরগী ৩৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়াখি।

রাস্পতিনা থৌরম অদুদা গুরু সাহিবকী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি অমসুং মহাক্কী মগুনশিং শিংথাখি। থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-হরদ্বিপ সিংহ পুরি, দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-রেখা গুপ্তা অমসুং দিল্লিগী অতৈ মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি।

**মেটঃ** মেট ওফিসনা হায়রি-মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্য খরদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়-মনিপুর, অসাম, মেঘালায়া, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, উত্তর প্রদেসকী অৱাং নোংচুপ থংবা মফমশিংদসু ঙসি লৈচিল কুংনা থাগনি।

বিভাগ অসিনা হায়-অৱাং নোংচুপ ভারতকী মফম কয়াদা লাক্কিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী অনিদগী অহুম ফাওবা হন্থরবা য়াই। মসিগী মথক্তা অন্দমান নিকোবর ইথৎ, কেরলা, তামিল নাদু অমসুং পুদুচেরিগী মফম খরদা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

মরক অসিদা, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-সঙাই ফেষ্টিবেল হৌদোকপা থৌরমদা এম.এল.এ. অনি য়াওখিবদু মীয়ামগী মায়োক্তা লৈ হায়রিব্রা হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-সঙাই ফেষ্টিবেল শিল্লি-লাংলিবশিংগী ফেষ্টিবেল ওইদুনা তোক্কদৌরিব্রা, মনিপুর ৱাংমদগী লাকপা স্তোল ফল্লিবশিং করি নুংগী স্তোল হাংজরুবনো হায়বা য়াওরেন হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-মহৈরোইশিং রাজ ভবন তমা থোমজিনখ্রে, পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপ্পুনা তানখায়খ্রে, চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা গভনরদা চেরোল পীশিনদুনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আই.দি.পিশিং পেন্দ্রে, পুলিসকী থৌওংগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নুপীমচা অমা লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অমসুং অমনা শোকখিবগী পাউনা দা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-সেক্যুরিতিগী কা হেনবা থৌওংগী মায়োক্তা গভনরদা ৱাকৎলক্লে, মহৈরোইশিং তোংবা বসতা টিয়ার গ্যাস কাপশিল্লি হায়দুনা ৱাকৎপা লাকপা মহৈরোইশিংদা অমুক্কসু টিয়ার গ্যাস কাপখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মনিপুরদা অইং আশা হোংলকপনা দেঙ্গিসু হেনগৎলক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-হেলথ এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী ওইবা তরুকশুবা মেদিয়া ফেলোসিপ প্রোগ্রাম ঙরাং ইম্ফালদা পাঙথোকখিবগী পাউ অনিশুবা

হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-নোংমগী ওইবা ৱিমেন্স রোল ইন ইনভাইরোনমেন্ট কঞ্জারভেসন এন্দ সসটেনেবল দিবলপমেন্টকী মতাংদা মীয়ামবু খঙহনবগী থৌরম অমা তমেংলোং হেদক্কাটরসতা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।